অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী কবুগঞ্জদা লৈবা মণিপুরী কলচর এন্দ লিঙ্গুইষ্টিক কলচরদা মীলাল ময়াই লোয়শঙনা মীতৈ ময়েক তম্বীনবা মসা লোয়শঙ অমা ইন্সটিট্যুট অসিগী ফাউন্দর মুতুম বিরমনিগা লোয়ননা হাংদোকখিবা

মণিপুর দ্রাইভর্স এসোসিএসননা মোইদাংপোক খুঞ্জাও মনিং লৈকায়দগী মতম শাংনা দ্রাইভরগী শিনফমদা লৈরম্লবা খাঙেম্বম লফোইজাওনা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং-মনুংদা শেলগী মতেং খূৎশিন্নখিবা

টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট টাউন প্লান্নর অমদি এসিষ্টেন্ট আর্কিটেক খন্নবগীদমক পাঙথোকখিবা দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস চৎনবা য়ারোই হায়না কে এস এগী প্রসিদেন্ট পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবা

সোসল ৱার্কর ওইনাম রোমেননা শীংজমৈ এ সীগী মনুংদা লৈবা লেন অমসুং নোংলৈ-নুংশিৎনা শোকহনখ্রবা যূমশিং খন্দোক্লগা মহাক মশাগী মায়কৈদগী যূম কুপ্পবা সী জি আই সীটশিং য়েন্থোকখিবা

লম্বী শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস) :

ফীভম ফত্তবা ইম্ফাল-য়াইরিপোক লম্বীগী ৱাঙ্খেমদগী ইরিলবুং থোং ফাওবদা লৈরিবা পোটহোলশিং কৈরাও এ সীগী এম এল এ অমসুং পি দি এগী চ্যেরমেন লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈ অমসুং সলাইচা পিবারেল পূন্সি মরুপ (এস পি পি এম)কী থৌমীশিংনা ঙসিদগী শেমজিনবা হৌখ্রে।

লম্বী অসিগী পোটহোলশিং মেনবদা মেছিন্নরিশিং এম এল এ রামেশ্বরনা পুথোকখি। অদুগা এস পি পি এমগী ভোলন্টিয়র ময়াম্না লম্বী শেম্বদা মতেং পাংবনি। মীয়ামগী চখোক-চৎশিন্দুনা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা ইম্ফাল-য়াইরিপোক লম্বীসিগী ফীভম অসুক্কী মতিক ফত্তনা লৈরি। মীয়ামগী চখোক-চৎশিন্দা অসুক্কী মতিক অৱাবা ওইরি। মসিদগী খরদং শাফনবা এম এল এগী লন্নাই শেনফমদগী পোটহোলশিং মেনবগী থবক হৌবনি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস) :

হৌখিবা মে ৫, নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেটসিদা থোকখিবা অকনবা লেন অমসুং নোংলৈ-নুংশিৎ য়াওবা নোংজুনা মরম ওইরগা যূম-কৈ, মহৈ-মরোং, গাড়ীনচিংবা কয়া পাত্তক্লনা অমাঙ-অতা থোকহনখিববু মণিপুরগী গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রি।

চহীগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস) :

ইবুধৌ শামুরৌ লাকপা পাখংবা থৌগল লূপকী সেক্রেটরি যূম্নাম বুধমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা লাক্লিবা কালেনগী হুম্নী পানবা মে ১০, ইরাই নুমিত্তগী হৌদুনা ইবুধৌ শামুরৌ লাকপা পাখংবগী চহীগী ওইবা থৌরম শামুরৌ কৈথেলদা লৈবা ইবুধৌ শামুরৌ লাকপা পাখংবগী শঙলেন্দা নুমিৎ ১১নি চুপ্না পাঙথোক্লগনি। অমাইবা-অমাইবী অমত্তা য়াওদনা পেনা খক্তনা তোপ-তোপ্না খুলগী অহল ওইরবা-ওইরবীশিংনা ইবুধৌগী থৌরমশিং পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

[illegible]

[illegible]

দিমান্দনা হেঞ্জিল্লকপদগী ষ্টোক্তা জিঙ্ঘ লোইশিল্লকপা য়াওরে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা হৌখিবা মে ৫, নোংমাইজিং নুমিত্তা খঙহৌদনা মফম কয়াদা অকনবা মওংদা লেন য়াওনা শিংখিবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমদি নোংজুনা যূম-কৈ কয়া অমাঙ-অতা থোকখ্রে। লৌ-ইঙ্খোলদা থাবা মহে-মরোং, মনা-মশিং কয়াসু অমাঙ-অতা থোকখ্রে।

যূম কুপ্পরিবা জিঙ্ঘ হুমদোকখিবা অমদি লেননা শীজিন্নবা য়াদনা হোহল্লম্বদগী যূম্বু কয়ানা যূম কুপ্পবা জিঙ্ঘনচিংবা মচাকশিং লৈনবা ঙরাং মে ৬তগী জিঙ্ঘ য়োনবা দুকান কয়াগী মমাঙদা ক্যু শাংনা-শাংনা লেপ্পখি। জিঙ্ঘ য়োনবা দুকান দারশিংনা মমল হেনগৎনা য়োন্দনবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লন্নাই লূপশিং অমদি চীফ মিনিষ্টরনা ফাওবা ফোঙদোকখিবা লৈখি।

পাউচে অসিনা ঙসি লংথবালদা লৈবা বিকুন্দ রুফিংদা চত্তুনা য়েংলুবদসু মীওই কয়া অমনা যূম কুপ্পবা জিঙ্ঘ লৌনবগীদমক ক্যু শাংনা লেপ্পরম্বা থেংনরকখি। বিকুন্দ রুফিং অসিগী থৌমী শৌগ্রাকপম শরতনা ফোঙদোরকপদা মীয়ামগী দিমান্দনা হেনখিবনা রুফিং অসিগী লৈরম্বা ষ্টোক ফাওবা লোইশিল্লক্লে। হৌজিক বিকুন্দ রুফিংনা ময়ামগী অৱাবসি উদুনা অতৈ দুকানশিংদা য়োন্নরিবা মমলদগী ফাওবা তাথনা মীয়ামদা ফংহল্লি হায়না পাউদল্লকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা, মীয়ামগী অৱা-অনা তারবা মতমনি হায়দুনা হান্না য়োল্লম্বা মমলদগী হেনগৎনা য়োনবা করিসু লৈতে। রুফিং অসিগী ওইনদি হান্না য়োল্লম্বা মমলদগী ফাওবা হন্থনা ফংহল্লি। হৌজিক বিকুন্দ রুফিংদা ফংলিবা জিঙ্ঘ অসি জি এস দল্লিয়ু প্রকৃতি, ভুষননচিংবা ক্বালিটি লৈবা জিঙ্ঘ ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙরাং মে ৬তা কষ্টমর চাউরাক্পা ২৫০ রোমদা মখোয়গী মথৌ তাবা পোৎলমশিং ফংহনখ্রে। ঙসিসু অযুক অঙনবা ফাওবদা কষ্টমর ১০০ হেনবদা মখোয়-মখোয়গী মথৌ তাবা পোৎলমশিং পীবা ঙল্লি। অদুবু লাইবক থীবদি মখোয়গী লৈরম্বা ষ্টোক লোইশিল্লকপনা মরম ওইদুনা হৌজিক অপাম্বা খূদিংমক লোইনা মনিং থুংহন্নবা পীবা ঙমদবগী ফীভম লৈরক্লে হায়রি।

অদুবু লম্বীদদি পোৎ লাক্লি, তৌবতবু বাই রোদতা লাকপনিনা নোংমা/নীনিদি চঙখিবা য়াই। হৌজিকসু ওর্দিনরি হায়রম্বশিং প্রোফাইল ওইনা লৌনবসু য়াওরি। অদুগা মসিগীদমক্তসু বিকুন্দ রুফিংনা মীয়ামগী য়েংলগা প্রোফাইল ওইনা লৌবদা লৌফম থোকপা মমলদগী ফাওবা তানা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লেননা শোকহল্লবা পোল্ট্রি ফার্মশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস) :

ইখঙ খঙহৌদনা থা অসিগী ৫দা ষ্টেটসিদা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমদি লেন য়াওবা নোংজুনা মরম ওইরগা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা য়েনগী ফার্মশিং অমদি অৱাবা তারবা লৌমীশিংদা মণিপুর পোল্ট্রি দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (এম পি দি এ)গী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে সত্যেন্দ্র য়াওনা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। অৱাবা তারবা লৌমীশিংদা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী শেলগী মতেং খূৎশিন্নখ্রে।

ঙরাং এম পি দি এগী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে সত্যেন্দ্র, ভাইস প্রসিদেন্ট আর কে ধনজিৎ, জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ ধ্রুব, জোইন্ট সেক্রেটরি এস রোবিন্দ্রো অমদি পাইখোম্বা লাইতোঞ্জম য়াওনা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙানবা মফমশিংদা লেন য়াওবা নোংলৈনা শোকহনখ্রবা য়েনগোন অমদি অৱাবা তারবা লৌমীশিং হকথেংননা য়েংশিনখি। টিম অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না কৈরাও অমদি অন্দ্রো এ সীগী মনুংদা লৈবা য়েনগোনশিংদা থোকহনখিবা অমাঙ-অতাশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা অৱাবা তারবা লৌমীশিংদা অৱাবা খরদং ওইরবসু মতেং ওইননবা হায়দুনা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী শেলগী মতেং খূৎশিন্নখি।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এম পি দি এগী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে সত্যেন্দ্রনা হায়খিবদা, ষ্টেটসিগী য়াম্না মরু ওইবা ইকোনোমি বেকবোন্দ অমা ওইরিবা পোল্ট্রি ফার্মিং অসিদা হকথেংননা থবক তৌবা লমদমসিগী নহা কয়া অমা লৈরি। শিনফমসিদা লৈদুনা মশাগী শেন্নীৎলোন অমা শেম্বগা লোয়ননা যূমগী অৱাৎ-অপা মেনখৎনরি। অদুবু হৌখিবা মে ৫দা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা লমদমসিদা লৈরিব য়েনগোন কয়া মাঙহনখিবগা লোয়ননা য়েন কয়া শিহনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা য়েন লোইবগী শিনফমদা লৈরিবশিংদা চাউনা অৱাবা মায়োক্নরি।

এসোসিএসন্দা পাউ পীবীরকপা অৱাবা তারবা লৌমীশিংদা মেম্বর ওইবা-ওইদবা থিদনা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী অঙম্বা শেনফম খরা মতেং-মতেং ওইনবা শীঞ্জবনি। পীরিবা শেনফমসিনা অৱাবা তারবা লৌমীশিংগী য়াম্না হেন্না মতেং ওইরমদবদি য়াই। অদুবু এসোসিএসন অসিনা লৌমীশিংগীদমক লৈরি হায়বা ৱাখল্লোন উখোকচবনি। মখা তানা ষ্টেটসিগী তোঙানবা মফমশিংদা য়েন লোইবা লৌমীশিংনা য়াম্না হেন্না অমাঙ-অতা থোকপগী ৱাফম লৈরগদি এসোসিএসন্দা পাউ ফাওবীরকউ হায়রি।

হাফলোং হায়ৱে নমথরুবদু গাড়ী লানবা য়ারে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস) :

হৌখিবা এপ্রিল ২৭ অমদি ২৮গী লোন্নবা অহিংদগী অসামগী মনুং চনবা সিলচরদগী হাফলোং চৎখিবা এসিয়ন হায়ৱেগী শরুক খরা নমথখিবদগী পোৎ-চৈ পুবা ত্রক কয়া অমা লাম্থোকপা য়াদদুনা লৈরকখিবদু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা কন্না হোৎনবদগী ঙসিদগী লাইট ভেহিকলশিংদি লানবা য়ারে হায়রি।

অমরোমদা, নোং কন্না চুবদগী ত্রেন তালিশিং চীংদগী চেন্থরকপা লৈখোম-লৈনাং, লৈচাক্লচিংবশিংনা ফুঞ্জিনখিবদগী তমেংলোং-খোংশাং রেলৱে লাইন ফাওনবা য়াদনা লৈরে। ত্রেননা পোৎলম-চৈরম কয়ামরুম ষ্টেটসিদা পুশিল্লক্কদবদু হৌজিক চপ লেপ্পুনা লৈখ্রে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউ অমগী মতুংইন্না হাফলোংগী এরিয়াদা নুমিৎ মাপলনি লম্বী নমথখিবনা মরম ওইদুনা পোৎ পুবা গাড়ী ময়াম লেপ্তুনা লৈরকখিবনি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ৱার ফুটিংদা লম্বী শেম্বগী থবক কন্না চথুরকপদগী ঙসিদগী লম্বীসিদা লাইট ভেহিকলশিং ফাওদুনা লানবা য়ারকখিবনি। মতুংদা পোৎ-চৈ পুবা ত্রকশিংসু ইকুই কুইদনা লাম্থোক-লানশিন তৌবা য়ারগনি হায়রি।

অমরোমদা, নোং তাবা লেপখিবদগী নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱেগী মায়কৈদগী শিন্নী কয়ামরুম থাজিন্দুনা হৌজিক-হৌজিক হাফলোং এরিয়াদা ত্রেন তালিদা ফুঞ্জিল্লিবা লৈখোম-লৈনাং শেংদোকপগী থবক কন্না চথরি। চয়োল অমগী মনুংদা মখা তানা নোং তাদ্রগদি রেলৱে লাইনসি ফাওনবা য়ারগনি হায়রি।

টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস চৎনবা য়ারোই : কে এস এ

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস) :

এম পি এস সীনা লৌফম থোকপা গেজেটেদ পোষ্ট ওইরিবা এসিষ্টেন্ট টাউন প্লান্নর অমদি এসিষ্টেন্ট আর্কিটেক অনীসিবু এম পি এস সীনা লৌবগী মহুত্তা দিপার্টমেন্ট মশানা লৌদুনা ইন্টর্ভিয়ু খক তৌরগা খনখিবসি চৎনবা য়ারোই হায়না কে এস এনা ফোঙদোকখ্রে।

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না শীন্দুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা লূপসিগী প্রসিদেন্ট এস বিদ্যানন্দনা ফোঙদোকখিবদা, টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট টাউন প্লান্নর অমদি এসিষ্টেন্ট আর্কিটেক হায়রিবা পোষ্ট অনী অসিগী অপূনবা পোষ্ট ১০ লৌননবগী দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট নোটিফিকেসন অমা ফেব্রুৱারী ৭, ২০২৪দা থোকখি। ফেব্রুৱারী ১২, ২০২৪ ফাওবা ফোর্ম থাজিনবগী মতম পীরগা ফেব্রুৱারী ১৩দা ইন্টর্ভিয়ু পাঙথোক্তুনা মার্চ ১৫, ২০২৪দা রিজল্ট আউট ওইখি হায়রি।

এম পি এস সীনা মতম খরা দিফঙ্ক তৌদুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা লৌবা থবক্লি হায়রবসু ইন্টর্ভিয়ু খক তৌরগা গেজেটেদ পোষ্ট লৌবসি য়াম্না চুমদবা থৌওং অমনি। মসি ফেবোরিটিজম অমদি নেপোটিজম চথবা য়ানবা অমসুং মখোয়গী মী খনবা য়ানবা হোৎনবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

লমদমসিদা লৌখিবা থবক্কী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস অয়াম্বা মতম য়াম্না চঙলবসু টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী ওইনদি অথুবা মতমগী মনুংদা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস লোইশিন্দবা য়াদে হায়বগী মতাগুম থা অমগা নুমিৎ নিপান্নি খক্তদা প্রোসেস লোইশিনখিবসিনা মীয়ামগী থম্মোয়দা ৱাহং কয়া হংনরক্লে। দিপার্টমেন্ট অসিদা হান্না চীফ টাউন প্লান্নর ওইরম্বা নেপ্রম গীতকুমার হৌজিক-হৌজিক্লা অমরুট স্কিম য়েংশিন্নবা লৈরিবা মীওই অসিগী হেক মচানুপা য়াইফবা নেপ্রম খনখিবসিনা অমুক্কসু হেন্না মীয়ামদা চিংনবা ফাওহল্লে। মরম অসিনা টাউন প্লান্নর অমদি এসিষ্টেন্ট আর্কিটেক খনবগী ওর্দরদু চৎনবা য়ারোই হায়খি।

য়োংনা লৌপু তানবা নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস) :

অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী সেক্রেটরি পল্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন ও মোংয়াম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মে ৩বু ‘য়োংনা লৌপু তানবা নুমিৎ’ হায়না মিংথোন্দুনা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থা অসিগী ৩গী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপলেনগী শঙলেন্দা থৌপুরোয়শিংগী ওইবা মীফম অমা প্রসিদেন্ট ওক্রম মংলেম মীতৈনা ময়াই তাংবল লৌদুনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা চহী অমা ফারক্লবা মে ৩, ২০২৩দা চুড়াচান্দপুরদা খোংজাই কুকি টেররিষ্ট খুন্দাংবশিংনা মীতৈশিংদা অতম্নবা লান্দারকপা অমদি মায়োক্লবা লানফমদা লৈখিদ্রবা, খুল ঙাকপা, খুঞ্জা কয়াবু ঈকায় খুম্নবা উত্তুনা নুমিৎ অসিবু য়োংনা লৌপু তানবা নুমিৎ হায়না নীংশিং থৌরম পাঙথোকখি।

খুন্দাংবা কুকিশিংগী চহী অমা ফারক্লবা লানসি ঙসি ফাওবা লোইবা নাইদ্রি। খুরক্কী ঈনা লাই শাবা, য়োংজাও খুল্লাকপনা তল য়েনবগী ৱারীদু নীংশিংলকই। মণিপুর ইনি দয়াগী ঙমখৈদা লৈরিবা ষ্টেটসিদা খুন্দাংবা কুকি টেররিষ্টশিংনা কুকিলেন্দ শেমগনি হায়দুনা মমাঙ চহীগী মে ৩দা চুড়াচান্দপুরদা লান্দারক্তুনা অতম্ননা মীওই কয়া হাৎখ্রে, খূৎলায় পায়বশিংনা নুপী-অঙাং কয়া ওৎ-নৈখি। মালেমদা ইনি দয়ানা টেররিষ্ট শৌগৎলোই হায়না মখৌ পোংনা লাউদুনা টেররিষ্ট মুখৎকনি হায়রগা হৌজিক ফাওবা কুকি ফোরেন টেররিষ্টশিংনা অফবা মখলগী খূৎলায় পায়দুনা মীতৈশিংদা অতম্নবা লান্দাবসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তুমীন্না য়েংদুনা লৈরিবসি করম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অরোনবা লৈঙাক্লোননো? মীতৈ ফূরুপসি মুখৎনবা অরোনবা লাল্লোং অমরা? মণিপুরদা মীতৈ ফূরুপসি হা উরোক নতুংসু লাং নমাংসু তেন হায়বদু থোক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

সী জি আই সীট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা লেন য়াওনা অকনবা নোং চুবদগী যূম-কৈ কয়া অমাঙ-অতা থোকখিবদুগী য়েংলগা সোসল ৱার্কর ওইনাম রোমেননা শীংজমৈ এ সীগী মনুংদা লৈরিবা লেননা শোকহনখ্রবা যূমশিংদা সী জি আই সীট ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

ওইনাম রোমেন অমদি মহাক্কী টিমনা ঙরাং অয়ুক এ সী অসিগী মফমশিংদা কোয়না চত্তুনা য়েংশিনখি অমদি অমাঙ-অতা থোক্লবশিংগী রিপোর্ট লৌখৎখি। শোক্লবা যূমশিং অদুগী যূমথক কুপ্পবা অচঙবা সী জি আই সীট পীগনি হায়বগী থাজবা মখোয়দা পীরমখি। সী জি আই সীট মথৌ তাবা ইমুংশিংদা য়েন্থোক্লদুনা রোমেননা হায়খিবদা, এ সী অসিগী মীয়াম্না অৱা-অনা মায়োক্নরকপদা অঙম্বা মতেং পাংবা হায়বসি ঐহাক্কীদি সোসল ৱার্কর অমা ওইনা পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা ইথৌদাং অমনি। তেংবাঙ অসি ঐহাক্কী লৈজবা শেনফম খরনা হোৎনজবনি। কনাগুম্বা অমত্তদগী মতেং লৌবা লৈতে। থৌদৌ অসি পোলিটিকেল মাইলিদজ লৌনবা খোঙথাংসু নত্তে। হৌখিবা চহী ১০ রোমদগী এ সী অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা থবক কয়া পায়খত্তুনা লাকপগী মখা চথুরকপা ওইনা হন্দক্কী থৌরাংসি লৌখৎপনি হায়খি।

মীয়ামগী অৱাবসি য়েংলগা লৈঙাক্লসু মথৌ তাবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা হোৎনরি। মসি পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই নি। অদুবু লৈফম লৈতবগী অৱাবসি য়েংলগা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎপীবনা চুমগনি হায়খি। ঙসি যূমথোঙ ১৫০ দা সী জি আই সীটশিং য়েন্থোকখি।

‘লৌমীশিংদা অথুবদা ফৌদি পীবীয়ু’

ইম্ফাল, মে ০৭ (ঐচ এন এস) :

কুমসিগী ওইনদি নোং ঙন্না লাকপনা লৌমীশিং লৌবুক্তা কুমদুনা থবক কন্না শুবা হৌনরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা লৌমীশিংগী মথৌ তাবা ফৌদিশিং মতম চানা ফংহনবীয়ু হায়না পোইরৌপাৎ লৌকোল ফার্মরস দিভেলপমেন্ট কোওপরেটিভ সোসাইটিনা লৈঙাক্তা তকশিল্লক্লি।

পোইরৌপাৎ লৌকোল ফার্মরস দিভেলপমেন্ট কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী সেক্রেটরি খুলেম তোমচৌনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মমাঙ চহীদা মণিপুরগী ওইনা ঈকং থোকপদা নত্তনা পোইরৌপাৎ হায়রিবা অন্দ্রো এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবা লৌফমগী শরুক তঙ্খায় অমা হেন্না ঈকং মায়োক্লখি। লৌ লোক্লমদাইদসু নোং কন্না চুদুনা ফৌ নীংথিনা লোক্লখিদে। অদুবু হন্দক চহী অসিদদি কুমগী নোং ঙন্না লাকপনা লৌমীশিং হরাওবগা লোয়ননা লৌবুক্তা থবক কন্না শুনরে। লাইবক থীবদি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা ফৌদি পীয়ু হায়রুবদা ফৌ মরূ লাক্ত্রি হায়রকখি হায়রি। লৈঙাক্লা ফার্মরশিংগী য়েংবীদুনা ফৌদিশিং অথুবদা ফংহনবীয়ু হায়রি।

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, যুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8686/17 April to 16 May

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College,Imphal

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE for

→ Course Fee: 4000 per subject
→ Installment basis accepted

CLASS -XII Sc. (COHSEM) 2nd Batch

Class commencing on 25th April, 2024 (4:20 pm to 7:40pm)

18TH POSITION
Yumnam Hemlan
MECI Explorer Academy

20TH POSITION
Bhumika Rajkumari
COMET School

86%
Ranjan Chungkham
MECI Explorer Academy

86%
Bonita Laishram
COMET School

Form available at :
1. ‘SANGAI HOSTEL’ Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm - 7:30pm)

7629028328
9863160060

HL-B/8646/18

HUMAN RESOURCE
CONSULTANCY
Keishampat Opp. Tiddim Oil Pump
Estd. 2006

STUDY MBBS IN INDIA
- BANGLORE
- DELHI NCR
- UTTAR PRADESH
- RAJASTHAN
- CHENNAI
- WB, PUNE

Get ADMISSION at low budget just NEET eligible mark at top colleges

No donations

MBBS abroad
- WHO / NMC approved Medical Universities
- Top Ranked Govt/Private Medical Universities
- Globally Recognised MBBS Degree
- Indian food and clean Hostel
- Fully English Medium

» Bangladesh
» Kyrgyzstan
» Kazakhstan
» Uzbekistan
» Russia

PG, MD, MS, MDS,
BDS : low budget
BAMS, BHMS

B.Tech, BCA, BBA(CA)
B.Com(CA), PUC(CA)
Paramedical, Hospitality
B.Pharm, CMA, CS
B-LLB, BA, B.SC, B.Sc. Nursing
B.V.Sc.A.H. (Veterinary)
BNYS (Yoga), Merchant Navy

Contact Nos.
03853585080/8794758218

HL-B/10054/7 May to 5 June

Eduguide

8258013846

Registration is going on

NDA - II (September, 2024)

100 Day's Session starts : 20th May, 2024 (7:00 a.m. to 9:00 a.m.)

AND

JEE (MAINS / ADVANCE) MATHS FOUNDATION COURSE, 2024-2025

Session starts : 20th May, 2024 (Morning)

Special Features:
✓ Tutor by a team of expert faculties.
✓ Specially design suggested questions base on passed years.
✓ Weekend Test Series

Limited SEATS | Target : 100% Success

FACULTIES:
Sir B.L. Singh
M.Sc. Maths (B.Ed., M.Ed.), Experience - more than 25 yrs.
Sir S.K. Singh
M.A. English (B.Ed.), Experience - more than 25 yrs.
Dr. Lunfasana R.K.
M.Sc. Botany, Experience - more than 12 yrs.

Forms Available: Apollo Office, Kwakeithel, Near Amuco Building

HL-B/8672/3,4,5,6,7,8 May